বম্বুলা য়োনবা থিংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটদি গাংমৈনা ঙরাং থোকখিবা ওর্দর অমদা লাক্লিবা দিৱালি ফেষ্টিবেলদা মীয়াম্না পাক শন্না মখল পুম্নমক্কী বম্বুলাশিং শীজিন্নবগা লোয়ননা ক্রিমিনেলশিংনা কুন্মে অসিগী মরুমদা অনলোফুল এক্টিভিটিশিং চথরকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈবনা মরম ওইরদুনা মসিগী মতাংদা কূপ্না খন্নরবা মতুংদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টতা খুদক্তগী মখা তাবা ওর্দর অমা থোরক্লিবা ফাওবা মীয়ামগী সিক্যুরিটি অমসুং লো এন্দ ওর্দর ঙাক শেন্নবগীদমক মখল পুম্নমক্কী বম্বুলা (ফায়র ক্রেকর) শিং য়োনবদা অথিংবা থম্লে হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না অথিংবা অসি ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী এরিয়া পুম্নমক্তা চৎনগনি হায়রি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ঙরাং থোকখিবা ওর্দর অসিগী কোপিশিং গভর্ণর অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরি, চীফ সেক্রেটরিগী ষ্টাফ ওফিসর, দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (হোম), ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী এস পি অমসুং ককচীং, ৱাইখোং অমসুং শুগুনুগী এস দি এম অমসুং এস দি পি ওশিংদসু পীখ্রে হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	86.279157
US Dollar	74.478761
British Pound	101.702621
Australian Dollar	55.381149
Chinese Yuan Renminbi	11.646645
Japanese Yen	0.654328
Malaysian Ringgit	17.930565
Singapore Dollar	55.192389
South Korean Won	0.063001
Saudi Arabian Riyal	19.861003
Thai Baht	2.236644

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47117.00
Mumbai	–	Rs	47920.00
Delhi	–	Rs	47822.00
Kolkata	–	Rs	48220.00

GAS NEWS

HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK. BOOKING UPTO.03/11/2021.VALID FROM.29/10/2021. FOR HOME DELIVERY.
M.NO. & M.BOOKING OFFICE-9089161416. CONT. TIME.8.00AM.TO.11.00 AM.

KHORIPHABA NAMBOL
Bk up-to-date
Home delivery contact no : 9366471778, 8974087390, 8787632782

M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery **Booking Upto 25/09/2021**
Valid from 14/09/21
Stock 306 nos.
Home Dellivery & Booking Contact numbers 8132036940, 8414824977, 8413936705, 7085786488 Call Time 8am to 12 noon Sunday closed

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING UPTO 17-09-2021
VALID FROM 14-09-2021
STK 306
TIME 8:00 -11:00
HOME DELIVERY DATE 04-11-2021
CONTACT NO - 7005695308, 6009772483

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTODATE
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

TANGLEI GAS OINAM
V/f- 26-10-21
B/upto - 30-10-21
Stock 306
7am to 10am

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
BOOKING: BK. UPTO DATE
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS

HIYANGTHANG INDANE.
Booking 26-09-21.
Valid.22-09-21.
Stk.-306.
Timing 7.a.m.to 11.a.m. Only home delivery Service. Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.Whatsapp.no. 6009260971.

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 18/10/2021
BOOKING UPTO: 21/10/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

M/S K&K INDANE SERVICE,
home delivery only
Booking uptodate
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.

KHUMBONG INDANE
Booking upto 20-10-21
Only home delivery within 4 days
Office no.8794313865
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30am to 11.am

ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা পাঙথোকখিবা পেন্টিং কম্পিটিসনগী রিজল্ট লাউথোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): মমাঙ থাগী ২৩দা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন তরেৎতা পাঙথোকখিবা পেন্টিং কম্পিটিসনগী মকোক মথং তারবশিংগী রিজল্ট লাউথোকখ্রে।

কম্পিটিসন অদু 'রোল ওফ পুলিস ইন নেসন বিল্ডিং' হায়বা থিম অসিদা পাঙথোকখিবনি। ঙসি ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিনা থোরকপা চেরোল অমদা কম্পিটিসন অদুদা মকোক মথং তারবশিংদি পল্লেল হায় স্কুলগী সী ঐচ লাংলেনম্না (ফর্ষ্ট), গ্রেস কোটেজ একাদেমিগী খুমুকচম জোনসিবালা (সেকেন্দ), মেরি ইমাক্যুলেট কেথলিক স্কুলগী পুখ্রম্বম লিঙ্থোই (থর্দ) পোজিসন ওইরে হায়রি।

অদুগা পাঙথোকখ্রিবা পেন্টিং কম্পিটিসন অদুদা কোন্সোলেসন প্রাইজ ফংলগদবা কম্পিটিটরশিংনা ইলাইট চিলদ্রেন্স ইংলিস স্কুলগী লাইশ্রম সুসিলকুমার মৈতৈ, এম গঙ্গা একাদেমি (শুগুনু) গী লৈশাংথেম কলপনা চনু, ইলাং কৈন্যা হায়স্কুলগী অলবিনা সনসম, হিয়াংলম ময়ায় লৈকায়দগী ঈ থোইহেনবী, জেমস একাদেমিগী রানি থিংনাম, ৱাঙু হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অমোম লনচেনবী অমসুং গ্রেস কোটেজ একাদেমিগী সিরটে নাওরেমনি হায়রি।

ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা পাঙথোকখ্রিবা কম্পিটিসন অসিদা মকোক মথং তারবা অমসুং কোন্সোলেসন প্রাইজশিং ফংগদবা কম্পিটিটরশিংগী মনা থা অসিগী ৫দা য়েন্থোক্লগনি হায়রি। মরম অসিনা মরী লৈনবা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস ষ্টেসনশিংনা কম্পিটিটরশিং অসিদা হকথেংননা প্রাইজ লৌবা লাক্নবগীদমক পাউ পীগদবনি হায়রি।

ইনমেটশিংদা চাক পীজখিবগী শেল পীথোকপীয়ু

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ থেংননবগী পান্দমদা হাংদোকখিবা ককচীংগী কোভিদ ক্যের সেন্টর (সী সী সী), কম্ম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী) শিংদা মতম মাঙনা ভলুন্টিয়র ওইখিবশিংনা ইনমেটশিংগী চাক পীজখিবগী (সপ্লাই তৌখিবগী) অপূনবা লুপা লাখ ২৪ হেনবগী শেনফম পীথোকপীয়ু হায়না ককচীং এ সীগী ওইনা হাংখিবা সী ঐচ আই সীগী ভলুন্টিয়র ওইখিবা এম রবিচন্দ্রনা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

ঙসি ককচীংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবা থৌর মতমদা মহাক্না হায়, চহী অসিগী মে ২দগী হৌদুনা থা ৪গা নুমিৎ ১০নি য়ূম য়ূমদা হঞ্জিন্দনা কোভিদকী ইনমেটশিংগীদমক মতেং পাংবা য়াবা পাংদুনা লাকখিবনি। লৈঙাক্লা ইনমেটশিংদা চাক লেম্না পীরগনি হায়রকপদগী সেন্টরশিংগী ভলুন্টিয়রশিংনা অতোপ্পা মীওইশিংনা চাক সপ্লাই তৌরবদি নীংথিনা তৌবীরক্লোই খন্দুনা সেন্টরশিংদা লৈরিবা ভলুন্টিয়রশিংনা ইনমেটশিংগী চাক-ঈশিং সপ্লাই তৌখি হায়রি।

লাইবক থীরিবদি সী ঐচ আই সীশিংসু লোইনা লোইশিনখ্রে অদুবু ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্লা ইনমেটশিংগী চাক সপ্লাই তৌখিবগী শেনফম অমত্তা পীথোকপীদনা লৈরে হায়রি। লৈঙাক্লা এসেম্বলিগী নোংজু মীফমদা কোভিদ থেংনবগীদমক টাস্ক ফোর্স, সী ঐচ আই সীগী ভলুন্টিয়রশিং অমদি ইনমেটশিংগী চাক পীজবগী লুপা ক্রোর ৭.৫ কায়থোক্লে হায়খ্রবসু ফংফম থোক্লবশিংদদি শেনফম অমত্তা ফংদনা লৈরি।

ককচীং এ সীগী ওইনা ইনমেটশিংগী চাক পীজখিবগী শেনফম পীথোকপীনবা চীফ মিনিষ্টরগা উনদুনা হায়জখ্রে, ককচীংগী এম এল এ অমদি দি সীদসু কয়ারক হায়জখ্রে। অদুবু ফংহনবীদনা লৈরে হায়রি।

কুমজা ২০১৭কী লেবর কার্দ হোল্ডরশিং স্ক্রিনিং তৌবা হৌরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদরস কন্সত্রক্সন ৱার্কর ৱেলফেয়র বোর্দকী চেয়রমেনসু ওইরিবা এম এল এ ঐচ দিঙ্গোনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুংদা লেবর কার্দ হোল্ডর অপটু দেটশিংদা অহানবা পেন্দমিকতা চাওরাক্লা কার্দ হোল্ডর লিশীং ৭০দা লুপা লিশীং ১/১গী শেলগী মতেং পীখি হায়বগা লোয়ননা অনীশুবা ৱেভকী ওইনসু কার্দ হোল্ডর লিশীং ৫০দা লুপা লিশীং ১/১গী মতেং পীখি হায়রি।

ঙসি শঞ্জেনথোংদা লৈবা মহাক্কী ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, মরু ওইনা মহাক্কী বোর্দ অসিদা লৈরিবা এদ্যুকেসনগী বেনিফিসরিশিং অমদি হেল্থ বেনিফিসরিনচিংবা য়াওরি। হৌজিক কুমজা ২০১৬কী এদ্যুকেসনগী বেনিফিসরিশিংদা শেল ত্রান্সফর তৌবগী থবক কন্না চথরি। মসিগী মথক্তা হায়রিবা চহী অসিগী বেকলোগ লৈবশিংদসু শেল ত্রান্সফর তৌরি। মমাঙদা পেন্দিং লৈরম্বশিং অদু বি জে পিগী লৈঙাক অসি লাকপদগী কুমজা ২০১৫-২০১৬তগী লাকখৎতুনা ফেজ নাইনা শেল পীথোকপগী থবক চথরক্লি।

হৌজিক চথরিবা কুমজা ২০১৬কী শেল পীবগী থবক অসি লোইশিল্লবা মতুংদা কুমজা ২০১৭কী বেনিফিসরিশিংদসু মখোয়গী ফংফম থোকপা শেল পীননবা স্ক্রিনিং হৌরে। অথুবা মতমদা শেল পীরগনি হায়খি।

লোয়ননা মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম অসি অৱাবা ঙাক্তা ওইবনা বোর্দকী কান্নবা অসি লৌবীয়ু হায়বগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা ভোট খোম্বদা খৎন-চৈনবা ময়াম অমা থোরক্লিবা অসি তৌহঞ্জনীংদে। দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক অসি ইশানা লেপচগদবনি। লৈবাক মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক তৌরক্কদবা মীওই অদু ভোটরশিংনসু খনবীয়ু। সেকমাই এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনদি হৌজিক ফাওবদা খৎন-চৈনবগী থৌদোক অমত্তা থোক্ত্রি। মতুংদসু থোরক্তবা ওইসনু । পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মীয়াম্না অফবা মীরেপ খনবীয়ু। মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক তৌরক্কদবা অমসুং মীয়ামগা পূন্না চৎমিন্নগদবা মীওই খনবীয়ু হায়খি।

লোয়ননা হন্দক্কী নিংঙোল চাক্কৌবা লাকপদা মণিপুরগী নিংঙোল পুম্নমকপু সেকমাই এ সীগী মীহুৎ অমা ওইনা য়াইফ মঙ্গল পীজরি হায়নসু পাউমীশিংগী খূত্থাংদা মহাক্না ফোঙদোকখি।

দ্রাইভরশিং ...

লামায় ১গী মখা... য়াওনা ফত্ত-হৌদি শেংহনবা অমদি ফূ চৈবা তৌরে হায়বা ৱাকৎ লাকপদগী এসোসিএসননা য়েংশিনবা চৎলুবদা এফ সী আই গোদাওন অসিগী গেটতা মসিবু ঙাক শেল্লিবা সিক্যুরিটিশিংনা চঙহন্দনা থমখিবা থৌদোক অদু লাইবক থীবনি হায়রি।

অমরোমদা, অরানবা মওংদা ত্রক দ্রাইভরশিংদগী শেলশিং লৌরম্বগী থৌদোক অসিগীদমক গোদাউন অসিগী মেনেজরগী মথক্তগা লোগী ওইবা থবক লৌখৎলগনি হায়নসু এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

ফুদ সেফটি ওফিসলশিংনা ...

লামায় ১গী মখা... (ইম্ফাল ৱেষ্ট) কম এদিসনেল ফুদ সেফটি কম্মিস্নর ইচম ব্রোজেন্দ্রো খাবা মীতৈনা হায়, দিৱালি অমসুং নিংঙোল চাক্কৌবগী মাঙওইননা ইরমদম অসিদা লৈরিবা ইচিন ইনাওশিংনা চাননবা চিঞ্জাকশিং লৈবা মতমদা পোৎলমশিং অদু চাবা য়াবা চিঞ্জাক ওইরিব্রা নৎত্রগা ওইদব্রা, পোৎলমশিং অদু এক্সপ্যারি ওইরব্রা অমসুং পোৎলমশিং অদুদা ফসাইগী লাইসেন্স নম্বরনচিংবা য়াওব্রা হায়দুনা চেক তৌবগী থবক চথরকপনি। থবক অসি পাঙথোরকপদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং খরগী মনুংদা মেন্যুফেকচরিং দেটকী মতাংদা অকক্লবা মতম পীদনা থা খরগী মমিং ইশিল্লগা লোদ নম্বর কোদ য়াওদবা লৈবাক অসিগী প্রদক্ট খরসু থেংনরে হায়খি।

মসিদা নত্তনা ম্যান্মারনচিংবা মপান লমদগী লাকপা চাইনা, জপান, হোংকোংনচিংবদা শাবা চিঞ্জাক কয়াসু থেংনরে হায়খি।

থেংনরিবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী লোয়শঙ অসিগী সেক্রেটরিনা মণিপুরগী মফম অমত্তদা য়োনবা য়াদে হায়দুনা বেন্দ তৌখ্রবা পোৎলমশিংসু য়াওরি। অসিগুম্বা পোৎলমশিং অসি কনাগুম্বনা চাশিন-থকচিল্লুরগা খুদোংথীবা থোরকপা তারগদি অফবা ওইরোইদবনা মীয়াম্না মাঙজৌননা চেকশিনবীহৌগদবনি। অসিগুম্বা খুদোংথীবশিং অসি মায়োক্লদনবগীদমক হেল্থ সর্ভিসেস দিরেক্টোরেটনা লুচিংলগা দ্রাইভ অসি চথবনি। মখা তানসু চথখিগনি। থবক অসি চুম্না দিৱালি অমসুং নিংঙোল চাক্কৌবা খক্কী নত্তনা তোয়না চথরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মরম অসিনা ইরমদম অসিগী ইচিন ইনাওশিংনা চান-থক্লবা পোৎলম লৈবা মতমদা ঐখোয়না লৈগদৌরিবা পোৎ অদু এক্সপ্যারিগী মতম য়ৌদ্রিব্রা, মেনুফেকচরিং তৌরিবা মফম অদু করম্বা মফমদনো, পোৎলমশিং অদু লৈঙাক্লা অথিংবা থল্লবা পোৎলমশিং ওইব্রা নৎত্রগা ওইদব্রা হায়বদু য়াম্না মুন্না য়েংশিনবীহৌগদবনি হায়খি।

অসিগুম্বা মখলগী হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা অমসুং খুদোংথীবা মায়োক্লহনগদবা পোৎলমশিং য়োল্লম্বা মীওইশিংগী মথক্তা করি করম্বা এক্সন লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদসু শেম শাদুনা লৈরে হায়বগা লোয়ননা মীয়াম্না করিগুম্বা পোৎ অমা লৈবা মতমদা চিংনবা লৈরবদি মরী লৈনবা ফুদ সেফটি ওফিসলশিং নৎত্রগা মেদিকেল দিরেক্টোরেট নৎত্রগনা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা লৈরিবা দিজিগনেটেদ ফুদ সেফটি ওফিসলশিংদা পন্থদনা পাউ পীবিয়ু হায়নসু পাউমীশিংগী খূত্থাংদা আপীল তৌখি।

হোম গার্দস এসোসিএসননা সী এমদা অইবা ...

লামায় ১গী মখা... লৌরদুনা হোম গার্দস (ভি এ), মণিপুরগী কম্মান্দেন্টনা লন্নাই মীওই খরগা লৌতুনরগা য়াম্না তোয়না হোম গার্দ মেম্বরশিংগী ত্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী ওর্দর অকক্লবা মওংদা চথদুনা লৈরে। চথরক্লিবা থৌওং অসি মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা অচুম্বা থৌওং অমা নত্তে হায়রি।

থৌওং অসি ওথোরিটিশিং অসিগী লো অমসুং পৱার লৈতবতা নত্তনা থৌওং অসিনা হোম গার্দ পর্সনেলশিংবু ভিক্টিমাইজেসন তৌবগী থৌওং থোকহল্লে হায়রি।

য়াম্না তোয়না হোম গার্দ মেম্বরশিংবু মফম অমদগী অমদা ত্রান্সফর তৌথোক তৌশিন তৌবনা মখোয়না পাঙথোক্কদবা মথৌদা খুরৌ থাংহল্লে। থবক অসিগী মনুংদা হোম গার্দ মেম্বরশিংবু মসিগী লৈজরিবা বট্টালিয়ন অমদগী অমদা থাংদোক থাংজিন তৌবসু য়াওরে হায়রি।

লোয়ননা ওক্টোবর ২৬, ২০১৪দা মণিপুর হোম গার্দস (ভি এ), মণিপুরগী কম্মান্দেন্টনা থোকখিবা ওর্দর অমদা হোম গার্দ পর্সনেল ১২বু বট্টালিয়ন অমদগী অমদা ত্রান্সফর তৌবগী থৌদোক লৈখি। হায়রিবা থৌওং অদুমক পুলিস হেদ ক্বার্টর (পি ঐচ ক্য), মণিপুরগী অয়াবা য়াওদবগী মথক্তা লোগী মীৎয়েংদা চুমদবা থৌওংনি হায়নসু ফোঙদোক্লি।

অদুগা হন্দক ওক্টোবর ৩০, ২০২১দা কম্মান্দেন্টনা থোকখিবা ওর্দর অমদা হোম গার্দ পর্সনেল ১৩বু বট্টালিয়ন অমদগী অমদা ত্রান্সফর তৌখি। থবক অসি পুলিস হেদ ক্বার্টরনা ওক্টোবর ২৩, ২০২১দা পীরকখিবা অয়াবগী মতুংইন্ননি হায়রগসু তশেংনমক থৌওং অসিসু লোগী মীৎয়েংদা অচুম্বা ওইদবা থৌদৌনি হায়রি।

মরম অসিনা মনুং মপান ফাওনা উবা অমসুং একাউন্টবল ওইবা হোম গার্দ মেম্বরশিংগী ত্রান্সফর পোলিসি অমা গাইদলাইন/ষ্টেন্দিং ওর্দর/ওফিস মেমোরেন্দম/ওফিসল লেট্টরনচিংবা পীদুনা শেল্লগা চৎনহন্দ্রিবা ফাওবদি অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি অদুমক চথদুনা লৈখিগনি হায়রি। লোয়ননা থৌওংশিং অদু লোগী মীৎয়েংদা অয়াবা পীদবা থৌওংশিংসু ওইগনি হায়রি।

মিনিষ্টর/এম এল এ/ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংগা নক্লবা মরী লৈনবা হোম গার্দ মেম্বরশিং খক্তবু মখোয়না অপাম্বা মফম অমসুং বট্টালিয়নদা ত্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং পীগনি হায়বা থৌওং অসিদি নুমিৎ খুদিংগী পাঙথোক্লিবা হোম গার্দ মেম্বরশিংগী মথৌদা অমসুং বট্টালিয়ন অসিগী ওফিসকী থবক থৌরমশিংদা অকায়বা থোকহল্লক্কনি হায়রি।

মরম অদুনা চীফ মিনিষ্টরনা অথুবা মতমদা মণিপুরগী হোম গার্দ মেম্বরশিংগী ওইবা অকক্লবা রুল অমসুং পোলিসি শেম্বীদুনা হোম গার্দশিংবু ত্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং পীনবগী থবক লৌখৎপীয়ু হায়রি।

রিজল্ট হায়দোক্ত্রবদি বি জে পিদা ভোট ...

লামায় ১গী মখা... অদুম ওইনমক ধনমঞ্জুরি কোলেজদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা দিপার্টমেন্ট অসিবু খূৎপায়নরিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা এম টি এসশিং লৌনবগী পাঙথোকখিবা রিটন টেষ্টকী রিজল্ট অদু হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৩০, ২০২১ ফাওবগী মনুংদা হায়দোক্লগনি হায়দুনা মীয়ামদা লাউথোকখ্রবনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা মিনিষ্টরনা মীয়াম তিনবা ফঙ্কসনদা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না রিটন টেষ্টকী রিজল্ট হায়দোরকখিগনি খন্দুনা ঙাইরগা লৈরকখিবনি অদুবু হৌজিক হায়দোক্কনি হায়খিবা মতম অদু লোইখিবদা নত্তনা নবেম্বর থা য়ৌশিল্লক্লবা ফাওবদা হায়দোকপীদ্রে। মরম অদুনা মথংগী চহী ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী ১২শুবা লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী মীখলদা বি জে পিদা মীরেপ ওইরকপশিংদা ভোট পীদবা হায়না লেপ্পরে হায়রি।

পোষ্ট অসিগীদমক রিটন টেষ্টতা শরুক য়াখিবা কেন্দিদেটশিংগী মায়কৈদগী লৌরক্লিবা খোঙথাং অসি তুংদা লাক্কদৌরিবা লৈঙাক্তা মীখলগীদমক খল্লগা লৈঙাক্কী থবক কৌবদা পোলিটিক্স তৌবীদনবা অমসুং অসিগুম্বা থৌওং অসি মখা তানা চথবা য়ারোই হায়দুনা খঙহন্নবনি হায়খি।

লোয়ননা কনভিনর সিনাম সোমানন্দনা পাউমীশিংদা মখা তানা হায়, থবক থিজরিবা নহাশিংগী মতম অমসুং পুন্সি কন্নবা খোঙথাং অমা চঙশিনবা হৌরক্লবনি। মসিগা লোয়ননা এম টি এসকী মতাংসিদা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি অমা শেমদুনা থেংননবসু শেম শাবা হৌরে হায়খি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী লোয়শঙশিংদা থবক কৌরকপদগী শরুক য়ারুবা অমদি মদুগী রিজল্ট হায়দোক্ত্রিবা অমদি ঙাইরিবা কেন্দিদেটশিংনসু চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিদা পূন্না চঙশিন্দুনা থেংনমিন্নসি হায়খি।

মরমদি পাঙথোক্কদৌরিবা অনৌবা ১২শুবা মীখল অসিগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট অদু চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বরগী অহানবা চয়োলদগী হৌনা চৎনহল্লকপা য়ারি। মীখল অসিগী মতুংদা মণিপুরদা করম্বা লৈঙাক লাক্কনি হায়বা খঙবা ঙম্বা নত্তে। পোলিটিসিয়ন খরগী কান্ননবা হোৎনবদা থবক থিজরিবা লমদমসিগী নহা কয়া খাবৈ খারা শাদুনা মখোয় খরগী কান্নবা থিবদা নহা কয়াগী পুন্সি মাঙহল্লে। হায়রিবা থৌওং অসি পারা অমা তম্বীবা মতম য়ৌরে হায়রদুনা মমাঙদা কোংগ্রেস লৈঙাক্লা অমুক তৌখ্রবা মতুংদা হৌজিক্লা বি জে পিনা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিনা অমুক থবক থিজরিবা নহা কয়াদা ব্লেক মেল তৌবীদুনা থল্লি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা অহানবা ওইনা ...

লামায় ১গী মখা... উখ্রুল, নোনে অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা ত্রাইবেল ম্যুজিয়ম অমমম শাগৎলে হায়খি। ৱাৎহৌরিবা ম্যুজিয়ম অনী অসিসু মপূংফানা লোইশিনবগী থবক অথুবা মতমদা পাঙথোক্লগনি

পনবা য়াবদি ঙসি শঙ্গারিবা অমসুং নৌনা শঙ্গাগদবা ৱাৎহৌরিবা ত্রাইবেল ম্যুজিয়মশিং অসি দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী মরী লৈনবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংনা মখোয়গী ত্রাইবেল লিদরশিংগা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা শাগৎপা হৌখিবনি। ঙসি শঙ্গাখিবা ম্যুজিয়মশিংগী মনুংদা অনাল, চোথে, লমকাং, মোন্সাং, মোয়োন, তরাও, আইমোল, মরিং, মাতে, চিরু, খারম, কোইরেং, থাদৌ, পুরুম, গাংতে, পাইতে, জৌ, কোম, সিমতে, ভাইফৈ, থাঙ্গাল, মাও, মরাম, ইনপুই, জেমে, মার, তাঙ্খুল, রোংমৈ অমসুং কবুই ফুরুপশিংগী ম্যুজিয়মশিংনি হায়রি।

ঙসিগী ত্রাইবেল ম্যুজিয়ম ২৯ শঙ্গাদুনা মাগী মাগী চীংগী ফুরুপশিংদা খূৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর লোসি দিখো, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেন, দেপ্যুটি স্পিকর কোঞ্জাম রোবিন্দ্রো, মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদরস কন্সত্রক্সন ৱার্করস বোর্দকী চেয়রমেন ঐচ দিঙ্গো অমসুং মরু ওইবা ওফিসল অমসুং মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, ঙসি চীফ মিনিষ্টরনা অহানবা ওইনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা চীংমী ফুরুপশিংগী ওইবা ম্যুজিয়মশিং শঙ্গাখিবা অসিগা মরী লৈননা অমসুং থা অসিগী ৬তা মহৌশাগুম পাঙথোক্কদৌরিবা লমদম অসিগী চাওরবা নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎকসু মরী লৈননা ঙসি মহাক্কী সেক্রেটরিএটতা চীংমী অমসুং তম্মীগী নিংঙোল কয়া চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

চীং অমসুং তমগী নিংঙোলশিংবু চাক চামিন্নরবা মতুংদা মখোয়দা নিংঙোল চাক্কৌবগী চৎনরক্লিবা লিক্লম মতুংইন্না অঙন্বা দক্ষিনা খুদোল তম্বগী থবকসু চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা হকথেংননা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কাঙলূপশিংগী মরক্তা অমত্তা ওইবগী লংলা চেৎশিনহনবা হায়বসি মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈদগী মঙজরক্লবা মঙলান অমসুং পাঙথোক্লিংবা থবকনি হায়খি।

হৌখিবা মতমদা মণিপুরগী ঈং-তপ্পা অমসুং অমত্তা ওইবগী শক্তমগা মরী লৈনবা ইস্যুশিংনা থোকহল্লকখিবা লাইবক থীবা থৌদোকশিং শন্তাইনবগীদমক মীয়াম্না পীবিরকখিবা মতেংশিংবুসু নীংশিংলদুনা লাইবক ফবদগী মীয়ামগী থৌজালদগী মহাক্না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙম্বনি হায়খি অমসুং মণিপুরগী মীয়াম্বু অৱা অনা পুম্নমক কোকহন্দুনা নুংঙাইবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হোৎনবা ঙম্বনি হায়খি।

গো টু হিলস, গো টু ভিলেজ, হিল লিদরস দে অমসুং মীয়ামগী নুমিৎনচিংবা থৌরমশিং অসি মণিপুরগী মীয়ামগীদমক খনবা ৱাখল্লোনগী মতুংইন্না হৌদোকখিবনি হায়বা ৱাফমসু ঙসিগী নিংঙোল চাক্কৌবা থৌরম য়াওবা লাকখিবা মীয়ামদা ফোঙদোকখি।

তোঙান তোঙানবা মণিপুরগী ফুরুপ কাঙলূপশিংগী মশক মচু লৈজরবসু ঐখোয় পুম্নমক মণিপুরী অমা ওইনা পূন্না নুংশি চান্ননা লৈকোল অমদা শাৎমিন্নবা ঙাক্তনি হায়খি।

ঙসিগী নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অদুবু শরুক য়াবা লাকখিবী চীং অমসুং তমগী নিংঙোলশিংনা চীফ মিনিষ্টরবু তৌবীমল খঙবা উৎখিবগা লোয়ননা ঙসিগী থৌরম অসিনা মবুং মৌপ্পা ওইবশিংগী মরক্তা লৈবা নুংশিনবা মরী অদু হেন্না চেৎশিলহল্লে হায়নসু ফোঙদোক্লরমখি।

পুক্কে থন্না লৈরিবা কলচরবু...

*লামায় ১গী মখা...*ঐখোয়না য়োকখৎতুনা থম্নবা হোৎনগদবনি। লৈবাক অসিগী কলচরবু য়োকখৎনবা অমদি ঙাক্তুনা থম্নবা মশকনাইবা আর্টিষ্ট কয়ানা য়াম্না কন্না হোৎনরি। মসিদা ঐখোয় পুম্নমক্লসু মতেং পাংবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর ঙাঙোম উট্টম হায়, লমদম অসি তশেংনা আর্ট এন্দ কলচরনা মশক তাক্লিবনি হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। লৈঙাক্লসু অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনসু লমদম অসিগী পুৱারীদগী শাগোন্নদুনা লাক্লবা কলচরবু ঙাক শেন্দুনা অমদি য়োকখৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। মখা তানসু মণিপুরগী কলচরবু ঙাক শেন্নবা অমদি চাওখৎনবা থবক-থৌরমশিং পায়খৎকনি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টর (ঐচ দি এম সী)গী প্রসিদেন্ট এন মণিশ্যামনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমগী মখা চৎথরকপা ওইনা ঐচ দি এম সীগী আর্টিষ্টশিংনা 'কন্স ভধ' ম্যুজিক দান্স দ্রামা মীয়ামদা উৎখি।

পোজিটিভ ৫৭ থেংনখি, ১ ...

লামায় ১গী মখা... ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৯২৬ শুখ্রে হায়রি। অদুগা ঙসি লৈখিদবা মীওই অসি কোভিদ-১৯গী অনীশুবা দোজগী ভেক্সিন কাপথোক্লবা মীওইনি। অদুবু মহাক কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি হায়রি।

অদুমকপু ঙসিগী ওইনা হোম আইসোলেসনদগী ১৩, জেনিমসতগী ১৩ অমসুং কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী মীওই ৩০ য়াওনা পূন্না মীওই ৫৬ নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখি হায়রি। অদুগা ঙসি থেংনখিবা অনৌবা কোভিদ পোজিটিভ কেস ৫৭ অসি থারবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা কেস মশীং ১,২৩,৮৯৯ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,১৯,৫৬১ অমসুং সী এ পি এফ - ৪,৩৩৮) শুরে হায়রি।

অপূনবা ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,২১,২৬৯ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,১৬,৯৫০ অমসুং সী এ পি এফ - ৪,৩১৯) শুবগা লোয়ননা এক্টিভ কেসশিংগী মশীংনা ৭০৪ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ৬৯০ অমসুং সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল - ১৪) শুবগা লোয়ননা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৭.৮৮দা লৈরি হায়রি।

অমরোমদা ঙরাং ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা হেল্থ ফেসিটিশিংদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপূনবা মশীংনা দি টাইপ - ৪২৩ অমসুং বি টাইপ - ১৫৫নি হায়রি। অদুগা ঙরাং খক্তদা মীওই ১১,০৮৯ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা হীদাক কাপথোকখিবা অপূনবা মশীং ১৯,৮৮,৬৩৪ (অহানবা দোজ - ১২,৫১,২৫০ অমসুং অনীশুবা দোজ - ৭,৩৭,৩৮৪) শুরে হায়রি।

অদুগা ঙরাং নবেম্বর ২, ২০২১ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈখিবা হীদাক কাপথোক্লবা অপূনবা মীশিংগী চাংনা বিষ্ণুপুর - অহানবা দোজ ৬৫.৭০, অনীশুবা দোজ ৩৪.৬২, চান্দেল অহানবা দোজ ৬৩.৯৯, অনীশুবা দোজ ৩৭.৩২, চুড়াচান্দপুর অহানবা দোজ ৫৪.৬১, অনীশুবা দোজ ৩২.৯৯, ইম্ফাল ইষ্ট অহানবা দোজ ৬৬.৬৫, অনীশুবা দোজ ৪০.৬৬, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ ৬৯.৭৮, অনীশুবা দোজ ৪৫.৭৩, সেনাপতি অহানবা দোজ ২৮.৯৮, অনীশুবা দোজ ১৯.২৩, তমেংলোং অহানবা দোজ ৩৫.৩২, অনীশুবা দোজ ১৮.৮৫, থৌবাল অহানবা দোজ ৫৫.৭৬, অনীশুবা দোজ ২৫.২৬, উখ্রুল অহানবা দোজ ১৯.৯৩, অনীশুবা দোজ ১৩.৪৪, তেংনৌপল অহানবা দোজ ৪৩.৮৬, অনীশুবা দোজ ২০.৬৩, কাংপোকপী অহানবা দোজ ১৭.২৪, অনীশুবা দোজ ৮.৫৬, কামজোং অহানবা দোজ ২৮.৫১, অনীশুবা দোজ ১৪.৭৬, জিরিবাম অহানবা দোজ ৬৯.৪৯, অনীশুবা দোজ ৪৫.২১, ফেরজোল অহানবা দোজ ৩.২৬, অনীশুবা দোজ ২.২৭, নোনে অহানবা দোজ ৩৫.৫১, অনীশুবা দোজ ২১.২৭, ককচীং অহানবা দোজ ৭০.৭৪, অনীশুবা দোজ ৪১.৯১নি হায়রি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী চাংনা চাদা ৫৩.৪৫নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবশিংগী চাংনা চাদা ৩১.৫০নি হায়রি।

ষ্টেট ১৩গী এসেমব্লি সিট ২৯গী বাই ইলেক্সনদা কোংগ্রেসনা বি জে পিদগী ...

লামায় ১গী মখা... সিট ১ খক্তমক ফংবা ঙমখি।

মরক্কী মীখল পাঙথোকখ্রিবা পার্লিয়ামেন্টরি সিট ৩ অসিগী মনুংদা হিমাচল প্রদেশকী মান্দি সিট অসি হৌখিবা মার্চ থাদা মসিগী এম পি ওইরম্বা বি জে পিগী রামশ্বারুপ শর্ম্মা লৈখিদবদগী হাঙদুনা লৈরকখিবনি অদুগা উত্তর প্রদেশকী কান্দৱা সিটসু বি জে পিগী মেম্বর নন্দ কুমার সিংহ চাওহান লৈখিদবদগী হাঙদুনা লৈরকখিবনি। অদুবু হন্দক পাঙথোক্লিবা বি জে পিনা পায়রম্বা পালিয়ামেন্টরি সিট ২ অসিগী মরক্কী মীখলদদি বি জে পিনা শুপ্নতগী মান্দি সিট খক্তমক হঞ্জিন্না ফংবা ঙম্লগা উত্তর প্রদেসকী কান্দৱা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী সিটতি কনবা ঙমহৌদ্রে। দদ্রা অমসুং নগর হাবেলিদা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী বাই পোল অদুনা কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা মেম্বর ওইরম্বা ইন্দিপেন্দেন্ট মেম্বর মোহন দেলকার লৈখিদবদগী হাঙদুনা লৈরকখিবনি। সিট অসিদনা সিব সেনানা ফংখিবনি।

অমরোমদা, বাই ইলেক্সন পাঙথোকখিবা ষ্টেট ১৩গী অপূনবা এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সি ২৯দা মায় পাকখ্রবা পার্টিশিংনা অসামগী অপূনবা সিট ৫গী মনুংদা বি জে পিনা সিট ৩ ফংলগা পার্টি অসিগা চৎমিন্নরিবা য়ুনাইটেদ পিপলস পার্টি লিবরেল (য়ু পি পি এল) না সিট ২ ফংখি। অসামদদি বি জে পি অমসুং মহাক্কী মপাং য়ু পি পি এলগী মীরেপ মথংশিংনা ৩ অমসুং ২ খক্লা পুল্লপ মায় পাকখিবা নত্তনা অতোপ্পা মখোয়গা লম্বা তৌনখিবা পার্টি পুম্নমক মায় পাকপা ঙমখিদে।

অদুম ওইনমক হন্দক্তসু চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা মায় পাকখ্রবা মতুংদা পার্টি অসিনা মপূং ফাবা মেজোরিটি ফংদুনা লৈঙাক পায়রক্লিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলদদি বাই পোল পাঙথোকখিবা ষ্টেট অসিগী অপূনবা সিট ৪ মক বি জে পি য়াওনা অতোপ্পা পার্টি অমত্তদা সিট অমা ফাওবা চোইথোকহন্দনা তৃণমুল কোংগ্রেসনা সিট ৪মক ফংখি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদা টি এম সীনা মীখল পাঙথোকপা সিট ৪গী মনুংদা ৪ মক ফংবগুম্না হিমাচল প্রদেশতনা কোংগ্রেসনা মরক্কী মীখল পাঙথোকখিবা সিট ৩ মক্তা মায় পাত্তুনা মপু ওইবা ঙমখ্রে। অদুবু মধ্য প্রদেশকী বাই ইলেক্সন পাঙথোকখিবা এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সি ৩গী মনুংদদি বি জে পিনা সিট ২ দা মায় পাকখি অদুগা কোংগ্রেসনা সিট ১দা মায় পাকখি।

বাই ইলেক্সন পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা অসামগী মথংদা অনীশুবা ষ্টেট অমা ওইরিবা মেঘালয়াদনা ষ্টেট অসিগী লৈঙাক পায়রিবা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) না বাই পোল পাঙথোকখিবা অপূনবা সিট ৩গী মনুংদা ২ মায় পাক্লগা য়ু দি পিনা সিট ১দা মায় পাকখি। বিহারগী রিজল্টদনা বাই ইলেক্সন পাঙথোকখিবা ষ্টেট অসিগী এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সি অনীমক জনতা দল (য়ুনাইটেদ) না পুল্লপ ফংখি। অদুগা কর্ণাটাকাগী বাই ইলেক্সন পাঙথোকখিবা সিট ২দনা অকনবা লম্বা তৌনখিবা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা সিট ১/১ য়েন্নদুনা ফংখি।

অদুম ওইনমক রাজস্থানগী সিট ২ মক্তা কোংগ্রেসনা পুল্লপ ফংখিবদা নত্তনা মহারাষ্ট্রদা পাঙথোকখিবা এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সি অমগী বাই ইলেক্সনদসু কোংগ্রেসনা ফংবা ঙমখি। টেলঙ্গনাদনা ষ্টেট অসিগী সিট অমগী বাই ইলেক্সনদা বি জে পনা ফংখি। অন্ধ্র প্রদেসকী ওইনা পাঙথোকখিবা বাই ইলেক্সনগী সিট অমদনা ৱাই এস আর সী পিনা ফংখি। অদুগা মিজোরামগী সিট অমগী মীখলদনা মিজো নেসনল ফ্রন্ট (এম এন এফ) না মায় পাকখিবগা লোয়ননা হরয়ানাগী এসেম্বলি সেগমেন্ট অমগী বাই ইলেক্সনদনা ইন্দিয়ন নেসনল লোক দল (আই এন এল দি) না মায় পাকখি।

ঙরাং লাউথোকখিবা ষ্টেট ১৩দা পাঙথোকখিবা মরক্কী মীখলগী রিজল্টশিং অসিগী মতুংইন্না হিমাচল প্রদেশতদি কোংগ্রেসনা মরক্কী মীখল পাঙথোকখিবা সিট ৩ মক্তা মায় পাকখিবনা অচৌবা মায়থীবা অমনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লরক্লি। ষ্টেট অদুদা কোংগ্রেসনা জুব্বল-কোটখাই, অর্কি অমসুং ফাটেপুর এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা মায় পাকখিবদা নত্তনা ষ্টেট অদুগী লোক সভাগী মান্দি সিটতসু মায় পাকখিবনি।

কোংগ্রেসনা মায় পাক্লকখিবা অসিনা মরম ওইরদুনা বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর রাম থাকুরগী হোম দিষ্ট্রিক্ট ওইরিবা মান্দিগী পার্লিয়ামেন্টরি সিট কোংগ্রেসনা মুন্দুনা লৌখিবা অমসুং এসেম্বলি সেগমেন্ট অহুমদসু মায় পাকখিবা অসি মথং চহী ২০২২গী দিসেম্বরদা পাঙথোকফম থোক্লিবা হিমাচল প্রদেশকী এসেম্বলি ইলেক্সনগী 'সেমী ফাইনেল' ওইবা মরম্না বি জে পিদা য়াম্না চাউনা মায়থীবা ওইহল্লে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লরক্লি।

হিমাচল প্রদেশকী মান্দি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিনা পুথোকচখিবা কার্গিল ৱারগী হিরোনি হায়রিবা বৃগেদিয়র কুসল থাকুর (রিটাইয়র্দ) পু পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদগী কুমজা ২০০৪ অমসুং ২০১৩দসু মায় পাকখ্রবা হিমাচল প্রদেশকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিরভদ্র সিংহগী লোয়নবী প্রতিভা সিংহগগী মরক্তা অকনবা লম্বা তৌনখিবদা কোংগ্রেসকী নুপী মীরেপ অসিনা মায়থীবা পীরমখিবনি।

মীখল অদুদা প্রতিভা সিংহনা অপূনবা ভোট ৩,৬৯,৫৬৫ ফংলগা কুসল থাকুরনা ভোট ৩,৬২,০৭৫ ফংখি। কোংগ্রেসনা বি জে পি মীরেপ্তুগী ভোট ৭,৪৯০ হেনখি। অদুগা মীখল অদুগী ভোট ১২,৬২৬না নন ওফ দি অবভ (নোটা)দা লৈরমখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা কুমজা ২০১৯দা মান্দি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী পাঙথোকখিবা মীখলদা মায় পাকখিবা বি জে পিগী রাম শ্বারুপ শর্ম্মানা মহাক্কী নক্লবা লম্বাদগী ভোট মশীং লাখ ৩.৯৮ হেন্না ফংদুনা মায় পাকখিবনি।